www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK — PROGRESSIVE JOURNALISM — সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 13,897 | 22 Carat/g : ₹ 13,285 | 1 Kg Silver : ₹ 2,20,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,200 | WEATHER: Partly Sunny | Temperature 29/19°C | Sunrise: 05:16 AM | Sunset : 04:41 PM | Petrol : ₹ 106.90 | Diesel : ₹ 92.59 | GAS TODAY Page 2 | sanaleibakdaily

Ministry of Home Affairs
Government of India

জাতি পূন্নমক্তগী,
খ্বাইদগী অথোইবদি
ঐখোয়গী জাতি অসিনি

CBC 19101/13/0021/2627

ইন্টর্নেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ইকায় খুম্নবা

জাতিগী অপূনবা নুমিৎ
৩১, ওক্টোবর ২০২৬
একতা নগর গুজরাট

য়েংসি মফম অমত্তদা অপূনবা তোঙান তোঙানবা মচুগী

ভারত পর্ব
১ দগী ১৫গী নবেম্বর, ২০২৬
একতা নগর গুজরাট

Rashtriya Ekta Diwas
31st OCTOBER, 2026
Statue of Unity, Ekta Nagar, Gujarat

লৈফম চাফম বুক তৌনবগীদমক স্কেন তৌ, নত্রগা য়েংউ rashtriyaektadiwas.com



শ্রী নরেন্দ্র মোদি
ইকায় খুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রী



Volume No: 50 Issue: 317 | IMPHAL, WEDNESDAY, OCTOBER 28, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | য়ুমশকৈশা, মেরাগী ১৮নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

কনানা হায়রিবনো থিবগী মহুৎতা করিনো খঙনবা হোৎনৌ

### মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোলিদে লিষ্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ২০২৭কী জেনরেল হোলিদে, রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদেগী লিষ্ট লাউথোকখ্রে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরিয়েট জেনরেল এডমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টকী জেনরেল হোলিদে ২৯ লৈগনি। লোয়ননা রেষ্ট্রিক্টিদ হোলিদে ৩৫ লৈগদৌরি। মসিগীসু মথক্তা নেগোসিয়েবল ইনষ্ট্রুমেন্ট এক্ট ১৮৮১গী মখাদা থাগদবা ছুটি ২২ অমসু য়াওরি।

### ফ্রী এসেসমেন্ট কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ আর কে ইমোগী মীৎয়েং মখাদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মীয়ামদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা পান্দমদা ফ্রী এসেসমেন্ট কেম্প ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

এম এল এ অসিগী ওফিসতগী থাদোরকপা ...মখা লমায় ৫দা...

### খেলেন থোকচোমগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

ভেটরান সেনিয়র জর্নেলিষ্ট লৈখিদ্রবা খেলেন থোকচোমগী ৬৬শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম পাঙথোক্তুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংমৈবুং পুরানা রাজবারিদা লৈবা ওল মণিপুর ৱুমেন্স এসোসিয়েসনগী শক্তি সদন হোমদা লৈবা ইনমেটশিংদা মতেং পাংখ্রে।

...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

ভোটসি তৌদি তৌদৌরমাল্লেনে



তৌদৌমাল্লে, ইন্টেন্দিং চোইহা ময়াম লৈরক কোন্সাংদা চাবা হৌরে

## হেক্তা হায়জিনবা

### তখেন থাঙ

নোম নোম শগাইতোং
চানবা লৈতে তখেন থাঙ
শুফম চাফম লৈরক্ত্রবা
শেন্থোক লম্বী ৱাৎলক্লবা
হিংদবদি য়াদবনিনা
ওনশিন ওনশিন চানবদা
তখেন থাঙনা পুমচাই চাই
নোম নোম শগাইতোং
চানবা লৈতে তখেন থাঙ
পুমচাই চাইরে তখেন থাঙ
শায়োন কয়া লৌদুনা
দিমান্দ লেট্টরগী শায়োন্দা
শেন্থৌ বোমগী শায়োন্দা
নম্ফু শেনখায়গী শায়োন্দা
লম্বীগী টেক্সকী শায়োন্দা
দোনেসনগী শায়োন্দা
পুমচাই চাইরে তখেন থাঙনা
শায়োন কয়া লৌদুনা
চানবা লৈতে তখেন থাঙ
নোম নোম শগাইতোং

১৮শুবা সারস অজিৱিকা মেলা ২০২৬ হৌদোকখ্রে

# শেন্মীৎলোন চাউখৎনবা হোৎনবদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরিঃ সিএম



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

য়ূমগী কূপনোমদগী হৌরগা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা সোসিও পোলিটিকেল ইসুশিংদা চাউনা থৌদাং য়াবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন চাউখৎনবা হোৎনবদসু লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌরগা নবেম্বর ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১৮শুবা সারস অজিৱিকা মেলা ২০২৬ ইম্ফালদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোয়বা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, লমদম অসিদা থোক্লকপা সোসিও পোলিটিকেল ইসুশিংদা নুপী ওইবীশিংনা থৌদাং কয়া লৌরি।

পনবা য়াই, নুপী লানগী মতমদা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংনা বৃটিশ লৈঙাক্কা মায়োক্নখি। ইমুংদগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়াদা থৌদাং য়াবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনবদসু অঙন্বা থবক পায়খৎলি। লমদম অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংতনা ...মখা লমায় ৫দা...

## মীখলগীদমক ষ্টেট ৫গী ত্রান্সফর পোষ্টিংগী কাঙলোন থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

মথং চহী ২০২৭কী মার্চতগী মে ফাওবগী মনুংদা মপুন্সি লোইরগদৌবা ষ্টেট মঙা হায়বদি মণিপুর, গোৱা, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরখন্দদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী খুজিল থৌরাং তৌবগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেটশিং অসিদা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা সিভিল অমসুং পুলিস ওফিসারশিংগী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী চৎন–কাঙলোন ইলেক্সন কম্মিসনননা ষ্টেটশিং অসিদা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট মঙা অসিগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী মপুন্সি লোইগদবসি মণিপুরগীনা ২০২৭কী মার্চ ১৩দা, গোৱাগীনা মার্চ ১৪দা, পঞ্জাবকীনা মার্চ ১৬তা, উত্তরখন্দগীনা মার্চ ২৮ অমসুং উত্তর প্রদেশকীনা মে ২২দনি। মরম অসিনা হায়রিবা মতম অসিগী মাঙওইননা ষ্টেটশিং অসিগী লেজিসলেটিব এসেমব্লিশিং অসিগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ষ্টেট মঙাদা চীফ সেক্রেটরিশিং অসিদা ইলেক্সনগা হকথেংননা ...মখা লমায় ৫দা...

# মনা পঙলবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা য়েলহৌমীশিংনা খোল্লাও লাউমিন্নসিঃ কোকোমি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ৩১দা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অসিদা প্রোক্সি ৱার লেপ্পু, কুকি মিলিটেন্টশিংগা চৎনরিবা সূ এগ্রোগেট তৌগদবনি, মণিপুরদগী এ আর লৌথোকখিগদবনি অমসুং আইদিপিশিং ময়ুমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়না মনা পঙলবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা খোল্লাও লাউমিন্নসি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা কোকোমিগী লোইশঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী কনভেনর ৱাই কে ধিরেননা হায়, কুমজা ২০২৩, মে ৩দগী হৌনা লমদম অসিদা চথরক্লিবা ইরাং হৌজিক ফাওবা লোয়শিনবা ঙমদনা লাক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং শীজিন্নদুনা প্রোক্সি ৱার চথুদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং মরুওইনা নাগা অমসুং মৈতৈশিংদা লান্দাদুনা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক কয়া লেপ্তনা চথরি। ...মখা লমায় ৫দা...

### য়ু এন সিনা কোকোমিগী খোঙচৎ শৌগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)না থা অসিগী ৩১দা পাঙথোক্কদবা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী চীংমী–তম্মী খোঙচৎ মপূং ফানা শৌগৎলক্লি।

য়ু এন সিগী প্রসিদেন্ট এন জি লোরহোনা ...মখা লমায় ৫দা...

## মিনিষ্টর সতিশ চন্দ্র দুবেনা সেনাপতিদা চৎতুনা সেন্ত্রেল স্কিমশিংগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কোল অমদি মাইনগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (এম ও এস) সতিশ চন্দ্র দুবেনা সেনাপতিদা চৎতুনা রিভিয়্যু মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট স্কিমগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা ঙরাং রিভিয়্যু মীফম পাঙথোক্তুনা মিনিষ্টর অসিনা স্কিমশিং অদুগী মতাংদা অকুপ্পা মীৎয়েং চঙখিবনি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দি সি ধরুন কুমার, এ দি এস পি (এন ঐচ–২) এম এল কাইসুংবৌ য়াওনা সব দিভিজনেল ওফিসারশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসার (দি এল ও) শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা রিভিয়্যু মীফম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সতিশ চন্দ্র দুবেনা সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী মখাদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎলিবা তোঙান–তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা কুপ্পা মীৎয়েং চঙখি। লোয়ননা মীফম অদুদা প্রোজেক্টশিং অসি মপূং ফানা থবক পায়খৎনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিংগী মতাংদসু কুপ্পা খন্ন–নৈনখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ...মখা লমায় ৫দা...

## য়ানখিবা ৱাফম থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই ঃ জে এ সি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ১৯দা খোংবাল তাঙ্খুল শুনুরোক উয়োক চীংদা শীং য়ানবা চৎপা মৈতৈ খুঞ্জা ৩ কুকি টেরোরিষ্টশিংনা হাৎখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিগী মায়কৈদগী থমখিবা দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই হায়না জে এ সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চিফ মিনিষ্টরনা ঙরাং লৈখিদ্রবশিংগী য়ুমদা চৎতুনা ৱারী শান্ননবা হায়রম্বগী মতুং ইন্না ঙসি জে এ সিগী মীহুৎশিং লৈঙাক্কা ৱারী শান্নখ্রে।

ৱারী শারুরবা মতুং জে এ সিগী কো কনভেনর লাইশ্রম অমরজিৎনা পাউমীশিংদা হায়, ৱারী শান্নখিবা অদুদা ...মখা লমায় ৫দা...

## হক খোঙ্গাওনবা থৌওংশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্না খূদক্তা লেপহনবা য়াবা ঙাক্তনিঃ ফুলিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী চৈরক্তা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা থৌওং কয়া লেপ্তনা চথরিবশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না খূদক্তা লেপহনবা য়াবা ঙাক্তনি। চীনদা খক হায়বগী মহুৎতা ইংনা চিক্লা হীংমিন্ননবগী চপ চাবা থৌশিল অমা লৈঙাক্না মীয়াম খঙনা পায়খৎকদবনি হায়না কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) মণিপুরগী চেয়ারমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা ফোঙদোকখ্রে।

অমুকো, অমৱোভা, পি এল এম পি এ এম, কোহর অমদি এম এস এফনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরগা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লবনা শীন দুনা নোংমৈবুংদা লৈবা ক্লব অসিগী মল্টিপরপজ ...মখা লমায় ৫দা...

## বোংবাল খুল্লেনদগী য়াম্লবা খূৎলায় ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

এম এন সেক্টর ক্যু এ টি, রেঞ্জ ইম্ফাল ক্যু এ টি, সি আর পি এফ অমদি সি দি ও ইম্ফাল ইষ্টকী অপূনবা টিম অমনা বোংবাল খুল্লেন ফুটহিলদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খূৎলায় ফংবা ঙমখ্রে।

খূৎলায়শিং অদুদি মেগজিন য়াওবা এ কে রাইফল ১, পোইন্ট ৩০৩ ...মখা লমায় ৫দা...

## লুচিংবা কিংস্বীট রাইহিংনা লৈখিদবদা প্রিপাক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

পিপলস রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ (রেদ আর্মি)না ৱুংহোন ভিলেজগী হেদমেন ইপা কিংস্বীট রাইহিংনা ঙরাং ওক্টোবরগী ২৬ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৪০ রোম তাবা মতমদা কুইনা বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা লৈরম্লগা খঙহৌননা পূন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবদা থম্মোই শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘কা হেনবা হরাউ কুম্মৌনা খুন্নাই অসিদা শাফু পীরকপনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লবা খাঙেনফম য়ৌরবা তাঙ্কক অসিদা কা হেনবা হরাও কুম্মৈ পাঙথোকপনা খুন্নাই অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীরকপনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মৈরা পায়বী ইমাশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মতম চানা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না মৈতৈ লিপুন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট (এম এল লাঙথেল খন্না শঙলেন)গী লাঞ্জং হঞ্জবা পি লেনিন ...মখা লমায়

## লৌশাংখোং লৌকোলগী চাদা ৮০ হেনবা লৌফম লৌ লোকপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা লৌশাংখোং লৌকোলগী চাদা ৮০ হেনবা লৌফমশিং নোং তাদবনা মরম ওইরগা লৌ লোকপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

লৌশাংখোং ভিল্লেজ ৱেলফেয়র দিভেলপমেন্ট কম্মিটি অমদি খুৎশন্ননা চৎমিন্নরিবা ভি এল এফকী থৌমীশিং অমদি পাউমীশিংগা উনবা অমদা লৌশাংখোং ভিল্লেজ ৱেলফেয়র দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী কেসিয়ার হাউরোংবম শ্যামানন্দনা ফোঙদোরকখিবদা, ইরিল তুরেলদগী ঈশিং চিংবা য়াবা লৌফম খরা নত্তনা লৌফম অয়াম্বা ঈশিং ফংদবনা ফৌ নীংথিনা পান্দ্রে। মায়কৈ অসোমগী লৌমীশিংনা উনরিবা লৌফম অয়াম্বা লৌশাল পীবা ...মখা লমায় ৫দা...

Special Drive for enrolment of left out and first time/young electors.

Chief Electoral Officer Manipur




DON'T MISS YOUR CHANCE TO VOTE

VERIFY YOUR NAME
Check the Final Electoral Roll and confirm that your name is listed.

CAN'T FIND YOUR NAME?
Contact your BLO for help and guidance.

Scan to download ECINET App

Check your name | Contact your BLO

Your name in the Electoral Roll matters

Chief Electoral Officer, Manipur | www.ceomanipur.nic.in | Follow us on:

[illegible]



[illegible]




[illegible]



[illegible]

## GAS TODAY

**Imphal LPG service**

Booking up to date. Please give missed Call to 8454955555 from customers registered mobile number. Customers are requested to create demand by giving missed call we have ample stock from 26th days of delivery.


## [illegible]/VEHICLE KEY LOST

I have lost key of my vehicle MARUTI SWIFT ZXI bearing Registration No. MN01AW6259, Chassis No. MBHCZCB3SNLB29488, Engine No. K12NP1331874 on the way from Malom to Nambol Bazar on 18th October, 2026.

Finders are requested to hand over the same to the undersigned.

Sd/- **Homen Ngangom**
Malom Tulihal
Imphal West District, Manipur-795140
# 9856269020

SL/5722/28


# ওসিগী রাষি ফল (২৮–১০–২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৰার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** পূক্লিং হকচাং ফগৎপা, থবক মায় পাকচবা, লুচিংবশিংনা নুংশিবীবা, শাগৈনা চানবীবা, চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি। শেল খরদি চৎলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** অরুবা থৌরম মায় পাক্লগনি। শেল ফংবা, মিংচৎ হেনগৎপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি। চৎথোক চৎশিন্দা ওইজবা ফংলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**মিথুনঃ** অশাওবনা মাংওইনরবদি অফবা ওইরোই, খৎননিংগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**কর্কটঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা খরা চৎপা, তিন্নবশিংনা অর্থ লান্না লৌবা ওইরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

**সিংহঃ** ৰাখল চঙবা থবক্লা হেন্না থেংনরগনি। তোখাই তাগনগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**কন্যাঃ** পাঙথোকনিংবা খরা মায়পাকচবা, মীয়াম্না শক খঙবীবা, শেল ফংবা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, শাগৈনা তিন্নবশিংনা নুংশিবীবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** চেকশিন্না হৈশিংনা হোৎনজদ্রবদি মীৰা মীশা তাবা, অয়েৎপা খরদি থেংনরগনি। অকনবা ৰাহৈ শীজিন্নদবা ফগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – পূক্লিং মান্নরোই।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চঙলোই।

**বৃশ্চিকঃ** হোৎনজমন কান্নবা ফংলগনি। শেল ফংবা মমল য়াম্না পোৎ লৈবা য়াবা, চৎথোক চৎশিন মী তিন্নবদা কান্নবা ফংবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী– লৌশিং চাওখৎলগনি।

**ধনুঃ** পূক্লিং হকচাং ৰাখল ফগৎপা, অরুবা থবক পাঙথোকপা। ঐগী মী মশিং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, লমতু চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**মকরঃ** থবক্তা মায় পাকচবা, চাংয়েংনবদা অফবা ফল ফংবা, মীয়াম্না শক খঙবীবা ওইরগনি। অচৌবশিং লম্লানবশিংনা চানবীবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল মান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কুম্ভঃ** চেকশিন্না হৈ শিংনা হোৎনবা চঙই। অশাওবা ৰারৌবা লোয়নরগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৰাখল চরাংনগনি।

**মীনঃ** তিন্নবশিং, শাগৈনা অর্থ লান্না লৌবীরগনি। মসিনা তোখাই তাগনগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈশিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1121**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 9 | | | 8 | | | 6 |
| | 6 | | 3 | | 2 | | | 9 |
| | | 8 | | 5 | 9 | | | 4 |
| | 3 | | 8 | | | 4 | | 5 |
| | 5 | | | | 4 | | 8 | 3 |
| 9 | 8 | | | 3 | | | 6 | |
| 8 | | 6 | 5 | | | 9 | | |
| | | 5 | 4 | 9 | | | | 8 |
| 7 | | | | | | 5 | 4 | |

সনা–সুদোকু–১১২১গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# এম্বুসতা সোমালি ট্রুপ চা কয়া শিখ্রে হায়না ইস্লামিষ্ট ইন্সরজেন্ট অল–সবাবনা ফোঙদোকখ্রে



মুগাদিসু, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি): নিংথৌকাবা নুমিৎতা চথখিবা এম্বুসকী মতাংদা ইস্লামিষ্ট ইন্সরজেন্ট গ্রুপ অল–সবাবনা সোমালি গভর্ণমেন্ট ট্রুপ চা কয়া শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অল–কৈদাগা মরী লৈনবা গ্রুপ অসিনা চহী ২০ গভর্ণমেন্টকা লান্থেংনরক্লি অমসুং হৌজিকসু মখোয়গী মায়োক্তা অচৌবা ইন্টরনেসনেল ওপরেসন অমা চথুদুনসু ময়াই থংবা সোমালিয়াগী পাক চাওরবা লমশিং মখোয়না কন্ট্রোল তৌরি।

নিংথৌকাবগী অথেংবদা থোকপা অল–সবাবকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, লৱার সাবেলে রিজনদা টর্কিনা ট্রেনিং পীবা গভর্ণমেন্ট ট্রুপশিং অমসুং টর্কিস ফাইটর জেটশিংনা শৌগৎপা এলাইদ মিলিসিয়া অমগী মথক্তা মখোয়না চথখিবা এটেকতা ট্রুপ ৩২১ শিখ্রে হায়খি।

মশিং অদু চপ চানা চুমব্রা খঙবা ঙমদ্রি অমসুং গভর্ণমেন্টনসু খুদক্তা পাউখুম অমত্তা পীদ্রি। অল–সবাবকী ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, লিগো সিটি মনাক্তা খূৎ থোক্লুবা অদু পুং ৩ চথখি অমসুং প্রিজনরশিং, খূৎলাইশিং অমসুং গাড়ীশিং সিজ তৌখি।

অল–সবাব মিলিটেন্টশিং অদুগা অকনবা খূৎ থোক্লখিবা অদুদা মীশি–মীনা চাওনা থোকখিবা অমসুং খূৎশু–খূৎলাই য়াম্না মাঙখিবা অদু খন্নবা গভর্ণমেন্টনা কেবিনেটকী অথুবা মীফম অমা কৌখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া প্লেটফোর্ম বাইদোৱা ওনলাইনদা হায়খি।

লালহৌবশিংগী মরক্তা থেংনবদা শৌগৎপদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ মরুওইবা দোনরশিংনা শৌগৎপা তোকখিবা মতম অমদা টর্কিনা সোমালি গভর্ণমেন্টকী মরুওইবা শৌগৎপা অমা ওইরকখ্রে।

লৈবাক অদু অমত্তা ওইনা পূনশিনবদা অমসুং লালহৌবগী অকিবা অদু লাকশিনবদা গভর্ণমেন্টনা খূৎমাঙ চাওশিনবা ঙমদে হায়রদুনা লৈবাক অদুদা কন্বেট ওপরেসন্স পীরম্বা মরুওইবা য়ুনাইটেদ নেসন্স লোজিষ্টিক্স মিসনদা ৱাসিংটননা ফন্দিং পীবা তোকখিবনি।

# দ্রোন এটেকতা সুদানগী নয়ালাদা ২১ শিখ্রে, ৪০ শোকখ্রে



খারতুম, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি): সুদানগী লান শোক্লরিবা নাকন অনিনা দ্রোন এটেকশিং চথবদা নোং চুপ থংবা দারফর রিজনদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং লৈবাক অদুগী নোংপোক্তা য়াম্লবা লম ইলেক্ট্রিসিটি ফংখিদ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেদিকশিং অমসুং মীয়ামনা ফোঙদোক্লখ্রে।

দারফরদাদা সুদানগী পেরামিলিটরি রেপিদ সপ্পোর্ট ফোর্সেসকী কোনুং ওইরিবা নয়ালাদা মার্কেট অমদা চথরকখিবা দ্রোন এটেক অমদা মীওই ২১ শিখি অমসুং য়ামদ্রবদা ৪০ শোকখ্রে হায়না এ এফ পিদা মেদিকেল লিখুল অমা অমসুং উহৌবা মীওইশিংনা হায়খি।

হায়রিবা মার্কেট অদু নহাশিংনা, মরুওইনা আর এস এফ ফাইটরশিংনা তোয়না লাকপা মফমনি হায়না মফমদুগী মীওই অমনা হায়খি।

ঙরাং নুমিদাংগী বোম্বিংদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৪০ হেন্না শোকখ্রে হায়না নয়ালা হোস্পিটালদা মেদিক অমনা হায়খি। অদুবু মহাক্না মখোয়গী মনুংদা আর এফ ফাইটর কয়ানো হায়বা খঙদে হায়খি।

এপ্রিল ২০২৩দগী হৌনা আর এস এফকা খূৎ থোক্লরক্লিবা সুদানি আর্মিনা শৌগৎলিবা ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা খারতুমদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা আর এস এফনা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লাউথোকখিবা নয়ালাদা চাং নাইনা এটেক তৌখি।

আর এস এফনসু খূৎ হন্দুনা খারতুমগী এয়ারপোর্টতা লোয়ননা লৈবাক অদুগী নোংপোক্তা দামশিং অমসুং পৱার ষ্টেসনশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেকশিং চথখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা আর এস এফ মিলিসিয়া দ্রোনশিংনা অল–মারখিয়াদ ট্রান্সফোর্মর ষ্টেসনদা টার্গেট তৌখি। মদুনা মরম ওইদুনা খরতুম অমসুং অল–জজিরা ষ্টেটশিংগী য়াম্লবা মফমশিং পৱার ফংখিদে।

অল–জজিরা, হ্বাইট নাইল, সেননার অমসুং গেদারেপ ষ্টেটশিংদা মী মিল্লয়ন কয়া পৱার ফংহন্দুনা পৱার ষ্টেসন ৬তা আর এস এফ দ্রোন এটেক অমগী মতুং নোংঙানবদা এটেক অদু চথরকখিবনি।

# লমগী খৎনবা খামদোক্লবা হোৎনরুবা হিন্দু স্কুল ওজা অমা হাৎখ্রে

ধাকা, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি): বঙ্গলাদেশকী দিনাজপুর দিষ্ট্রিক্টতা লম অমসুং লম্বীগী খৎনবা অমা খামদোক্লবা হোৎনরুবদা মাইনোরিটি হিন্দু কম্যুনটিদগী স্কুল ওজা অমা ফুদুনা হাৎখ্রে। থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা দিনাজপুরগী পরবতিপুর উপজিলাদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই অমা ফাখ্রে। স্কুল ওজা অদু মশাগী চহী ৫৫ শুরবা মনোরঞ্জন রোই কৌই। মহাক চাক সুকদেবপুর গভর্ণমন্ট প্রাইমারি স্কুলগী এসিষ্টেন্ট হেদমাষ্টরনি। ফারবা একুজ অদুনা মশাগী চহী ৩২ শুরবা অসা দুজমান কৌই।

লমগী য়েৎনবা অমগী মতাংদগী ফিভম অদু য়ৌরকখিবনি, মদুদা একুজ অদুনা মনোরঞ্জন রোইদা চৈতুপ অমনা হন্ন–হন্না ফুখিবনি হায়না মফম অদুগী পুলিস ওথোরিটিজনা হায়খিবগা লোয়ননা হেন্না থোক্লকপা য়াবা ইরাং থিংনবা মফম অদুদা অহেনবা পুলিস পার্সোন্নেল থমখ্রে।

রোইগী হকচাং অদু ওটোপসি অমগীদমক দিনাজপুর মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল অমদা থাখ্রে।

মরৈ য়েৎনরকখিবা নাকন অনি খামনবা মনোরঞ্জন রোইনা হোৎনরুবনি, মহাক খৎনরিবা অদুগা মারী অমত্তা লৈনদে।

পুলিসকী মতুং ইন্না মুলাপরা খূনদা লৈখিদ্রবা অজিজু মাষ্টরগী য়ুমগা হেক থংনবা লম্বী অমগী মতাংদা অশাদুজমানগী ইমুংগা য়েৎনখি।

নাকন অনি অদুগী মরক্তা লম অমসুং লম্বী অদুগী মতাংদা য়েৎনরিবা অদু লোইশিন্নবা নোংমাইজিংগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীফম অমা পাঙথোকখি। মফম অদুগী ইকায়খুম্ননিঙাই ওইবা মীশক অমা ওইনা মনোরঞ্জন রোইসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি। অদুবু নাকন অনিগী মরক্তা ঈ শাগৎনরকখিবা অদু ঈংথহন্নবা মহাক্না খামদোক্লবা হোৎনরুবদা মঙোন্দা এটেক তৌরকখি।

থৌদোক অদু কাংলূপ মশেলগী ওইবা থৌদোক নৎত্রবসু বঙ্গলাদেশকী মাইনোরিটিশিংনা হিন্দু কম্যুনিটি মীওইশিংগী মথক্তা এটেকশিং চথরকপনা মখোয় খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা অদুমক লৈ হায়খি।

দিনাজপুর হায়রিবা মফম অসি ঙমখৈদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমনি অমসুং হৌখিবা মতমদা সেক্টরিয়ান অমসুং কম্যুনেলগী হিংশা থোকখ্রে।

চহী অসিগী এপ্রিলদা গোদ্দেস কালিগী লাইশঙ অমা অমসুং থংনবদা লৈবা ক্রিমেটোরিয়ম অমা থুগাইখি অমসুং মৈ থাখি। মদুদা নৎতনা খৃষ্টিয়ান সিমিত্রি অমদসু এটেক তৌখি।

# ইজরেল পার্লিয়ামেন্ট মীখলগী ভোট থাদনবা হৌখ্রে

জেরুসালেম, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি): ইজরেলগী ঙসি পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনগী অহানবা পুং ৩গী মনুংদা ১৯৮১গী মতুংদা তাঙ্কক অসিনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা রেকোর্দ তৌদুনা চাদা ১৬.৬৮ য়ৌনা ভোট থাদনখ্রে হায়না সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অয়ুক পুং ১০ ফাওবদা ইজরেলি মিল্লিয়ন ১.২ হেনবনা ভোট থাদনখি হায়না কম্মিটি অদুগী এক্টিং দাইরেক্টর জেনরেল দিন লিবনেনা টেলিভিজনদা পীবা ৱারোল অমদা হায়খি।

ইলেক্সন অসি ওক্টোবর ৭, ২০২৩গী হমাজ এটেক অদুগী মতুংদা অহানবনি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুগীদমক মরুওইবা চাংয়েং অমা ওইনসু উন্নরি।

ইজরেলগী খ্বাইদগী মতম শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা নেটান্যাহুনা হান্নগী মিলিটরি চীফ অমা ওইরিবা মহাক্কী মরুওইবা লম্বা গাদি ঐনেসকোদকা অকনবা লম্বা থেংনরি।

অহানবা ওইনা নহা মিল্লিয়ন তঙ্খায় হেনবা মখোয়গী ভোট থাদবগা লোয়ননা মী মিল্লিয়ন ৭.৩ রোমনা মীখল অসিদা শরুক য়ারি।

মপান লৈবাক্তগী ইজরেলিলিশিং কয়ানা মখোয়গী লৈবাক্কী তুংগী মওং অদু লেপ্পবা মরুওইবা অমনি হায়না উন্নরিবা ইলেক্সন অসিদা ভোট থাদনবা লাক্লরি।

হিরম খুদিংমক্তা লৈবাক অসি তশেংনমক হেন্না ফবা অমগীদমক অহোংবা অমা মথৌ তারে। মশাগী চহী ৭৭ শুরবা নেটান্যাহুনা মরক্তা কান্নরবসু পূন্না চহী ১৯ হেন্না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রে।

নেটান্যাহুগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা ওইরিবা হান্নগী মিলিটরি চীফ, মশাগী চহী ৬৬ শুরবা ঐসেনকোদনা হমাজনা এটেক তৌবা ঙমহনখিবা সেক্যুরিটিগী অশোয়বশিং অদুগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট কম্মিসন ওফ ইনক্বারি অমা লিংখৎনবা ৱাশক্লি।


COUNCIL OF SCIENTIFIC AND INDUSTRIAL RESEARCH (CSIR)
Anusandhan Bhawan, 2, Rafi Marg, New Delhi-110001
Advt. No. 05/2026

CSIR invites applications/nominations for the position of Director, CSIR-Central Glass & Ceramic Research Institute (CSIR-CGCRI), Kolkata, in Level 15 of pay-matrix (Rs.1,82,200-2,24,100) plus allowances as applicable in CSIR.

For eligibility criteria and other conditions, please see the detailed/complete advertisement No. 05/2026 on CSIR website **www.csir.res.in.** Applications /nominations may be sent alongwith complete bio-data and list of publications/ patents etc. through email at drc.hqrs@csir.res.in or by post to Director Recruitment Cell, Council of Scientific & Industrial Research (CSIR), Anusandhan Bhawan, 2, Rafi Marg, New Delhi-110001 on or before **30/11/2026.**

**CBC 36202/11/0021/2627**


**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT**

**NOTIFICATION**
*Imphal, the 27th October, 2026.*

*No.01/02(05)/2026-LA(E):* In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 05/10/2026, it is informed **to all those candidates who have applied Online** for the posts of Driver, Mali, Sweeper and Multi-Tasking Staff (MTS) in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the dates for issue of **Admit Cards (Online mode only)** is hereby extended as listed in the table below:

| Particulars | Dates |
|---|---|
| Issue of Admit Cards (Online mode only) | *From the midnight (12:00 am) of 27/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 30/10/2026* |

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
*Addl. Secretary, (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

SL/Ath/28 & 29

# মী ৩৮ হাৎখিবা অমসুং চাখিবা মীওই ফাখ্রে

কাজো, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি): উগন্দগী মিলিটরি চিফকী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চহী ১৫ হেনবগী মনুংদা মীওই ৩৮ হাৎখিবা অমসুং চাবগী মরাল শীবা মীওই অমা ফাখ্রে।

মুজুরিজি মোজেজ কৌবা মীওই অদু মশাকা, ইবান্দা অমসুং কাজো দিষ্ট্রিক্টশিংদা ২০১০ অমসুং২০২৫কী মরক্তা ক্রাইমশিং অদু তৌবগী মরাল শীখ্রে।

মোজেজনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শাথিবা সেরিয়েল কিলরশিং অমসুং মী চাবশিংগী মনুংদগী অমনি অমসুং মহাক পব্লিক ট্রায়েল অমা মায়োক্লরগনি হায়না উগন্দাগী চীফ ওফ দ দিফেন্স ফোর্সেস জেনরেল মুহুজি কায়নেরুগবানা নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরমদা লাউথোকখ্রে।

ঐখোয়না মহাকপু মীয়াম মমাঙদা ৱায়েনগনি অমসুং শোয়দনমক মঙোন্দা শিবগী চৈরাক পীগনি হায়না দিফেন্স চীফ অদুনা হায়খি।

লোকেল ইনভেষ্টিগেটরশিংগী মতুং ইন্না মহাক্না য়ুমশিংদা তার্গেট তৌখি। থুগাইরগা ইমুংশিংদা চংখি অমসুং থাঙ অমনা য়ুমদা লৈরিবা মীওইশিং হাৎখি। খ্বাইদগী হেন্না তমথিবা থৌদোক্তা মহাক্না লোয়নবশিংনা পেটিকোষ্টেল পাসটর ষ্টেবেন মুগমবেগী য়ুম অদুদা দ্রিল তৌখি অমসুং লৈরম্বা পূন্নমক থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখি।

অতোপ্পা থৌদোকশিংদনা অতৈ মীওই কয়ামুক হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা নুংশিনবা মরী অমা থন্নবগী ৱাশকনা শুমহৎখি। মহাক হৌখিবা মতমদা কয়ারক হন্না ফাখ্রে অদুবু য়েৎননিঙাই ওইবা ফিভমশিংগী মখাদা থাদোকখি নৎত্রগা নাম্থোকখি। ইনভেষ্টিগেসনগী মখাতাবা মরিকচুম্বশিং অমসুং ওথোরিটিজনা খোমজিনবা ইভিদেন্স ঙাইরি।

**ANNEXURE-I OF GOVERNMENT ORDER NO. LIB-101/1/2022-GAD-GAD-PART (1) dt.22nd October, 2026.**

LIST OFGENERAL HOLIDAYS FOR 2027 (SAKA) 1948 & 1949 FOR GOVERNMENT OF MANIPUR.

| Sl. No. | Name of Festival/Holiday | No. of Day | Gregorian Calendar | National Calendar | Manipuri Calendar | Days |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | New year Day | 1 | 01 January | 11 Pausha | 24 Poinu | Friday |
| 2 | Death Anniversary of (L) Maharaja Gambhir Singh | 1 | 09 January | 19 Pausha | 2 Wakching | Saturday |
| 3 | Imoinu | 1 | 19 January | 29 Pausha | 11/12Wakching | Tuesday |
| 4 | Gaan-Ngai | 1 | 20 January | 30 Pausha | 13 Wakching | Wednesday |
| 5 | Republic Day | 1 | 26 January | 06 Magha | 20 Wakching | Tuesday |
| 6 | Lui-Ngai-Ni | 1 | 15 February | 26 Magha | 9 Phairen | Monday |
| 7 | Id-ul-Fitr* | 1 | 10 March | 19 Phalguna | 2 Lamta | Wednesday |
| 8 | Yaoshang (Doljatra) | 1 | 22 March | 1 Chaitra | 15 Lamta | Monday |
| 9 | Yaoshang 2nd Day | 1 | 23 March | 2 Chaitra | 16 Lamta | Tuesday |
| 10 | Good Friday | 1 | 26 March | 5 Chaitra | 19 Lamta | Friday |
| 11 | Sajibu Nongmapanba (Cheiraoba) | 1 | 07 April | 17 Chaitra | 30 Lamta/ 1 Sajibu | Wednesday |
| 12 | Cheiraoba | 1 | 14 April | 24 Chaitra | 8 Sajibu | Wednesday |
| 13 | Khongjom Day | 1 | 23 April | 03 Vaishaka | 18 Sajibu | Friday |
| 14 | May Day (Labour Day) | 1 | 01 May | 11 Vaishaka | 25 Sajibu | Saturday |
| 15 | Id-ul-Zuha (Bakrid)* | 1 | 17 May | 27 Vaishaka | 12 Kalen | Monday |
| 16 | Kang (Rathajatra) | 1 | 05 July | 14 Ashadha | 1/2 Ingen | Monday |
| 17 | Patriot's Day | 1 | 13 August | 22 Sravana | 12 Thawan | Friday |
| 18 | Independence Day (Milad-un-Nabi)* | 1 | 15 August | 24 Sravana | 13 Thawan | Sunday |
| 19 | Janma Ashtami | 1 | 25 August | 3 Bhadra | 23 Thawan | Wednesday |
| 20 | Jananeta Irawat Birth Day | 1 | 30 September | 08 Asvina | 30 Langban | Thursday |
| 21 | Mera Chaoren Houba | 1 | 01 October | 9 Asvina | 1/2 Mera | Friday |
| 22 | Gandhi Jayanti | 1 | 02 October | 10 Asvina | 3 Mera | Saturday |
| 23 | Durga Ashtami (BorNumit) | 1 | 08 October | 16 Asvina | 8 Mera | Friday |
| 24 | Mera Houchongba | 1 | 15 October | 23 Asvina | 15 Mera | Friday |
| 25 | Diwali (Dipavali) | 1 | 29 October | 7 Kartika | 30 Mera | Friday |

**Festival/Holiday Falling on Saturday & Sunday**

| | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Death Anniversary of (L) Maharaja Gambhir Singh | 09 January | Saturday | 2 | May Day (Labour Day) | 01 May | Saturday |
| 3 | Independence Day (Milad-un-Nabi)* | 15 August | Sunday | 4 | Gandhi Jayenti | 02 October | Saturday |
| 5 | Ningol Chakouba | 31 October | Sunday | 6 | Nupi-Lal | 12 December | Sunday |
| 7 | Christmas | 25 December | Saturday | | | | |

**Subject to change depending on the appearance of the moon.*

N.B. Festival at Sl. 16 of Annexure I above, may be replaced in respect of the Hill Districts and the Manipur Bhawans, Kolkata, Delhi and Guwahati by Holidays of local importance after taking prior approval of the Government latest by 31st January, 2027. The above festival may, however, be included as Restricted Holidays in the Hill Districts and the Manipur Bhawans.

# য়ু এস, য়ু কে য়াওনা লৈবাক ৩১না কিনিংঙাই ওইরবা সুদান চাক তাঙবগী ৱার্নিং তৌখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি): অতৈ লৈবাক ৩০না পূন্না সহি তৌবা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোক্তুনা হৌজিক থোক্লিবা লান অদুনা মরম ওইদুনা সুদানগী ফুদ সেক্যুরিটিদা কিনিংঙাই ওইনা ফিভম শোকচল্লক্লিবা অদু কোকহন্নবগী অথুবা থবক অমা মথৌ তারে হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

সুদানিজ আর্ম ফোর্সেস অমসুং পেরামিলিটরি রেপিদ সপ্পোর্ট ফোর্সেসকী মরক্তা এপ্রিল ২০২৩দগী হৌরখিবা লান অদুদা মীওই লাক্ষ ২ হেন্না শিখ্রে, মিল্লিয়ন ১৩ হেন্না ময়ূম থাদোকহনখ্রে অমসুং মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী পাকশন্না চাবা ফংদবগী ফিভম থোকহনখ্রে হায়না এইদ ৱার্করশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টিগ্রেটেদ ফুদ সেক্যুরিটি ফেজ ক্লাসিফিকেসননা ৱার্নিং তৌবগুন্না লাক্কদৌরিবা থাশিংদা চাক তাংবগী খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা অদুগীদমক অথুবা থবক মথৌ তারি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি। পুন্সিশিং কন্নবা অমসুং চাক তাংবা থিংনবা মাঙহন্নবা মতম লৈত্রে।

লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৪০ হেন্না, হায়বদি চাওরাক্লা মীওই মিল্লিয়ন ১৯.৫না শাথিনা চাবা ফংদবগী ফিভম মায়োক্লরি। মসিগী মনুংদা মিল্লিয়ন ৫না ইমর্জেন্সিগী থাক য়ৌরে। ওইরক্লিবা মওং অসি মথঙ্গা ওন্থোক্লবা খুদক্কী থবক য়াওদনদি মচি ওইবা চিঙ্গাক চাবা শাথিনা ৱাৎপা মায়োক্লরিবা অঙাংগী মশিং ৮,২৫,০০০ দগী হেনগৎলগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়রি।

লৈবাক অসিগী মনুংদা চাবা ফংদবা মফমশিংগী মশিং শরুক ২ হেনগৎলক্লবা য়াই। সহি তৌরবা লৈবাক ৩১ অদুনা লান তৌনরিবা পার্টিশিং অদুদা হ্যুমেনিটরিয়ান এসিষ্টেন্টসতা থম্বা অথিংবা অদু লৌথোক্লবা, তেংবাং পূন্নমক মপুং ফানা–অশোয় অঙাম থোকহন্দনা অথুবা মতমদা চংবা য়াহন্নবা অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ান অসুন্না ঙাক্লবা আপিল তৌখ্রে।

য়ু এসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা আষ্ট্রেলিয়া, অষ্ট্রিয়া, বেলজিয়ম, বলগেরিয়া, কানাদা, ক্রোসিয়া, সাইপ্রস, জেক রিপব্লিক, দেনমার্গ, এষ্টোনিয়া, ফিন্দলেন, ফ্রান্স, জর্মনি, আয়রলেন্দ, ইটালি, হঙ্গেরি, লাতবিয়া, লাকজেমবর্গ, মলটা, নেদরলেন্দস, নোরৱে, পোলেন্দ, পোর্টুগাল, রোমানিয়া, স্লোভাকিয়া, স্লোমেনিয়া, স্পেন, স্বিদেন, সিবটজরলেন্দ অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা পূন্না সহি তৌরি।

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 443 of SDC(IE)/P of 2026*

Taorem Somoshini Devi W/O (L) T. Biren Singh of Naharup Mayai Leikai. - ***Petitioner***

***-Verses-***

(L) T. Biren Singh S/O (L) Selungba Singh of Naharup Mayai Leikai. ***-O. P.***

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ/NOTICE**
*Porompat,the 14th October,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 42-Naharup গী Patta No. 109 (অরিবা), 107/615 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 141/684 measuring an area 0.03518 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

***Sd/-***
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/28

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 447 of SDC(IE)/P of 2026*

1) Sarangthem Ingocha Singh S/O (L) S. Achoubi Singh of Thambalkhong Sabal Leikai (0.0967 acre)
2) -do- Nandakishor Singh S/O (L) -do- of -do- (0.0967 acre) ***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) S. Achoubi S/O (L) Tamphajao Singh of Top Naoriya. ***-O. P.***

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ/NOTICE**
*Porompat,the 27th October,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 29-Top Naoriya গী Patta No. 114 (অরিবা), 233 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 166 measuring an area .1934 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

***Sd/-***
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/28

## NAME CHANGED

I, Y. Rengchal Chothe, DOB: 09/08/2008, S/o No. 4371156Y, Rank: Naik, Name: Yuhlung Shangchong Chothe, RO: Assam Regiment, Shillong a resident of Purum Lainingkhul, PO: Kakching, PS: Waikhong, District: Chandel, Manipur - 795103 have changed my name from Y. Rengchal Chothe to Yuhlung Rengchal Chothe vide affidavit sworn before Oath Commissioner (Judicial), I/W, Manipur on 27/10/2026.

Sd/-
Signature of Deponent

**In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam**
*Ref. :- Mut. Case No. 256/SDC/IW(S) Dated 27/10/2026*

Sagolshem Landhoni Devi W/O (L) Sagolshem Nimai Singh of Awang Khunou Maning Leikai. -Petitioner

-VS-

Late Sagolshem Nimai Singh S/O (L) Thambou Singh of Awang Khunou. -Opposition Party

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE**
*Salam, the 27th, October, 2026*

U/S 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং **77-Awang Khunou** গী অনৌবা পাট্টা নং **299 (New)** দাগ নং **38** এরিয়া **0.2175** একর চাওবা *ইংখোল* অসিগী পাট্টাদার **Sagolshem Nimai Singh** পীং **(L) Thambou Singh** সাং **Awang Khunou** অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ইংখোল* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/569228

ক্রোসৱার্দ ১১৮০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | C | E | S | | E | B | O | L | I | | J | E | R | K |
| C | U | R | T | | C | O | V | E | N | | A | S | E | A |
| H | E | I | R | | S | N | E | A | D | | Z | A | N | Y |
| | S | C | O | O | T | E | R | R | I | Z | Z | U | T | O |
| | | | B | A | A | | | N | R | A | | | | |
| R | E | S | E | T | T | L | E | | A | G | E | N | T | S |
| A | T | T | | | I | A | M | A | | A | T | A | R | I |
| T | H | E | B | I | C | Y | C | L | E | T | H | I | E | F |
| E | E | L | E | R | | S | E | A | N | | | F | A | T |
| S | L | A | T | E | R | | E | N | T | R | U | S | T | S |
| | | | | N | O | G | | | W | A | N | | | |
| S | K | A | T | E | O | N | T | H | I | N | I | C | E | |
| I | N | C | H | | K | O | R | A | N | | T | O | I | L |
| Z | E | T | A | | E | M | I | L | E | | E | Z | R | A |
| E | W | E | R | | D | E | M | O | S | | D | Y | E | D |

